থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

শৈরেং হায়বসি শৈরেংবদুগী নত্তে ...

১৯৯৪-ইতালিয়ন ফিল্ম দিরেক্তর মাইকেল রেদফোর্দনা দিরেক্সন তৌবা ইল পোস্তিনো-দ পোস্তমেন হায়না মীংথোনবা ফিল্ম অমা রিলিজ তৌখি। ১৯৯৫, ৬৪ শুবা একাদেমী এৱার্দকীদমক, এৱার্দ মঙাদা নোমিনেসন ফংখি - বেষ্ট পিকচর, পেষ্ট দিরেক্তর, বেষ্ট এক্তর ইন এ লিদিং রোল, বেষ্ট রাইতিং অমদি বেষ্ট ম্যুজিক। বেষ্ট ম্যুজিক নত্তনা অতৈদি এৱার্দ ওন্থোকপা ঙমখিদে। অদুবু ফিল্ম অসিনা মীনা শকখঙবীবা ৱাৎলবা অইবা অমা (এনতোনিও স্কারমেতা) অমদি ঈরোন্নদুংদা লূপখ্রবা কবি অমবুদি মালেম সীন্না শক্তাকখি। খাংঙমদবা মৈচাক (দ-বর্নিং পেসিন্স) হায়বা ওরিজিনেল নোভেলদুমক্কী মমীং লৌদুনা রাইতর (এনতোনিও) মশামক্না দিরেক্সন তৌদুনা ১৯৮৫ দা পুথোকপদা মায় পাকখিদ্রবনি।

ঙসিগী পাউদম ওইনা লৌখৎচরুরিবা 'ফিল্ম' অসিগী মরমদা নৈন ৱারেং অমা ইগে তেমশিংলুবা নৎচদে। তশেংনা থোকখিবা থৌদোক অমদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারীদুনা থম্মোয়সিদা চূরকখিবা মৈরীদু, থম্মোয় ঈহুল তিন্নবা, পাউদম অসি পাবীরিবা মীয়ামদা কন্না তম্ন ীংলকপনি। চিলেগী অফাওবা কবি অমা (পাব্লো নিরুদা), রাজনিতিগী ওইবা মরম খরদগী, মী নিংথিনা তাদবা ইতালিগী ঈথৎ অমদা লোই থাখিরম্মী। মাগী নুপীবুসু লোয়নহনখি। ঈথৎতুদা ঙা ফারগা হিংনবগী লন্থী ওইবা, ঙামী অমগী মচানুপা মারিও রুপোলো কৌবা পাখঙ অমা, ঙা ফাবা নত্তবা অতোপ্পা শিনফম অমা থীরম্মী। অতৈ থবক লৈতবনা পোষ্টমেন অমগী মথৌ তারকপদু মারিওদা শীন্নরে। মহাক্কী লেঙদবা কষ্টমর হায়বদুসু নিরুদানা ওইরক্লে। মরমদি - ঈথৎ অদুদা লৈবা মী, মপানগী তাইবংগা শম্নবা অতৈ অমা লৈরমদে। ইবা পাবফাওবদি ঙমহৌরবা মারিও, নিরুদাগা মরূপ ওইবা ফঙজবা, মানা ঙাঙবা তাজবা, মাগী শৈরেং তাজবা অনৌবা তাইবং অমদা থুংলুবগুম নুংঙাইজখি। নিরুদাগী শৈরেংদা ঙাওজখি।

তাঞ্জাসিদা বিত্রিস রুসো কৌবী শকহেনবী লৈশাবী অমা থেংনরুবদগী নুংশি তীন্ননা চীক্লবা পাখঙ হায়বদু ওইখরে মারিও। অদুবু, হৌদোক তুরেল কূমদবা পাঙদবা পাখঙ ওইরুবনা মাগী থম্মোয়গী নুংশিবা রুসোগী মফমদা ফোংঙমখিদে। রুসোগী ৱারী নিরুদাদা থাজবা, পাখঙ মাগী মতম লেন্নবা অমত্তা ঙায়রবা পান্থে ওইরক্লে। নিরুদাগী নীংথিরবা শৈরেংশিং, মথম্মোয়না খোয়দাজবা খনগত্তুনা ইথোক্লে, নুংশি চিথি ওন্থোক্লে। চিথিশিংদু পাবদা রুসো থম্মোয় হোংলক্লে। মমা লৈত্রবী রুসো, মন্দোমচানা য়োকপনি। মন্দোমচাগী অনিংবগী মায়োক্তা, থম্মোয় শুমহৎপা চিথিশিংনা পঙথহনখ্রবী রুসো, মাওরিদা লুহোংখি। লুহোংবা নুমিৎ অদুদা পাব্লো নিরুদাগী মথৎকতা লৈরম্বা অথীংবা, চিলেদা অনৌবা লৈঙাক হোংলকপদগী কোমথোরত্তুনা ময়ুম লমদম চিলেদা হনখি। রুশোনা মারিওদা পীবা নুংশি খুদোল মপারী অদুনা তাইবং ফাওরক্ত্রিঙৈ পুন্সি লোমখি মারিও। মপারিদুগী মমীং পাব্লোদগী লৌদুনা পাব্লিতো থোনখি।

ৱারীশিদি থোইদোক্তে। নোংমই নুমিৎ অমা, মারওিনা নিরুদাগী শৈরেং হুরান্দুনা মাগী শানা ইদুনা মীঙোন্দা থারে খঙলকপদা মৈ হৌনা শাউখি নিরুদা। 'করিনো নঙনা তৌরিবসে? মীনা ইবা শৈরেংবু নঙগী শানা ইথোকপা-হুরানবগী থবক্নি, ঙাকপীফম থোক্তবা নরাননি।'

মারিওনা মোমোন নোক্লা, চীং লেম্না খুন্লকখি ... 'নঙনা ইবা ওইরবসু, ইথোকখ্রবা মতুংদদি নঙগী শৈরেং ওইদরে ... শৈরেং হায়বসিদি ইনীংবা কবিনা ইসনু, শৈরেংদুগী শিজিন্নফম লৈদুনা শিজিন্নরিবা মহাক্তুগীনি ...।'

মাগী ৱাহৈশিংসি তারগা ৱাখল অমা খল্লকই - শৈরেং হায়বসিগীবু মপু অমা লৈবরা? ৱাহৈ ওইনা ইথোক্লিবা কবিদুনা মপুরা? ৱাহৈশিংদুবু মথম্মোয়দা থাগোন্না থল্লিবা মহাক্তুনা মপুরা? 'জন গন মন অধিনায়ক জয় হে, ভারত ভাগ্য বিধাতা ...' রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরল্লবসু হৌজিক মাগী ওইরিবরা? ভারত মীয়াম পূম্বগীনি! চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে, চিন্নদনা কেনখিবা, হো কল্লকই, কল্লকইদে ... কনানা শেমখিবা পরেংনো? কৈদৌঙৈ কনানা হংনবগে? কনাগুম্বা মালি অমনা শেমজবা লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈরাংশিংগী লৈনমদুবু মাগীরা?

অর্জেন্তিনাগী মমিঙ চৎলবা ৱারী মচা অমদি শৈরেং ইবা 'জোর্জ লোইস বোর্গস'- মীনা মশক খঙবীদ্রিঙৈ মশানা ইজবা শৈরেং অমদি ৱারী মচা কয়া, অফাওবা মী কয়ানা পার্তি তৌফমদা চৎলগা, মমিঙ থাদবা খূৎইশিংদু মীতোপশিংগী কোত'কী ফুরিৎখাউদা হাপচীনখ্রগা, মীশিংদুনা মশা মশাগী মীংদা ফোঙদোরকপদু পারগা, মানা ইজবা শৈরেং-ৱারেং-ৱারী মচা মীনা পাবীরে খনদুনা হরাওজখি।

জিসস, নানক, মহাবীর, কৃষ্ণ, মিরা, মোহম্মদ - মখোয়না হায়রম্বা ৱাহৈশিং শৈরেং ওইনা কনানা কোপিরাইত পায়বগে?

ইতালিগী ঈথৎ মচাদুগী পোষ্টমেনদুনা মাগী মরুপ মপাঙশিংদা ইবা মাগী নত্তবা শৈরেংশিংদুগী অরোয়বদা ৱাহৈ পরেং খরা মতম চূপ্পদা ইরম্মী ... '... শৈরেং অসি ৱাহৈগী শক্তম ওন্থোক্লম্বা কবিদুগীসু নত্তে, ইথোত্তুনা থারিবা ঐহাক্কীসু নত্তে... মসীং থীঙমদ্রবা থম্মোয়বু খুদুম চন্দুনা, লাচন্দুনা লৈখ্রগদবা, ৱাহৈশিংশিগী শীজিন্নফম লৈদুনা চীনবান লান্না থীবীরক্কদবা মখোয়গীনি ...।'

শিংগা মোরোক্কা পুন্না চামিন্নবগী কান্নবা

নীং শিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মীওইবনা থোং-থাকপদা মহাউ হেনগৎহন্নবগীদমক শিং শীজিন্নদুনা লাক্লে। চাইনাদদি খৃষ্টতনা পোক্কদবা চহীচা ৬ ৱাৎলিঙৈদগী শিং অদুম্মক শীজিন্নরক্লে। খৃষ্টগী মতুং অহানবা চহীচাদা আরব লল্লোনবশিংনা মিদল ইষ্টতগী য়ুরোপতা পুরকখিবা শিংবু থোং-থাকপদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নবগী ৱাফম ইংলিস রোয়ল কোর্টনা কম্পাইল তৌবা কুকবুম ১৩৯০ রোমদা ময়েক শেংনা য়াওরি।

Zingiberaceae ফেমিলিগী মনুং চনবা শিংদা কান্নরবা মিনরেল অমসুং ভিটামিন কয়ামরুম য়াওবা মরম্না কেন্সর, হার্ট দিজিজ অমদি দাইবেটিস ঙাকথোকপা ঙম্মী। ফিনুংগী হকচাংসু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লিবা লায়নাশিংগী মনুংদা হার্ট দিজিজসু অমনি। শিংদা ভিটামিন বি-৬, মেগনেসিয়ম অমসুং পোটাসিয়ম য়াওবা মরম্না থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী। ভিটামিন বি-৬ না হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থহল্লি অদুগা মেগনেসিয়ম অমসুং পোটাসিয়মনা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি। হায়রিবা কম্পাউন্দ অহুম্মক পুল্লপ য়াওবা মরম্না শিং চারবদি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থরকই।

শিংদা পোটাসিয়ম, মেগনেসিয়ম অমসুং ভিটামিন বি-৬ য়াওবগী মথক্তা মেনগনিজমসু মরাং কায়না য়াওই। ন্যুরোলোজিকেল হেল্‌ঠকীদমক য়াম্না তঙাইফদবা মিনরেল অমা ওইরিবা মেনগনিজনা সেক্স হোর্মোন টেষ্টোষ্টরোন পুথোকপদা মতেং পাংবা মরম্না ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট মতুংইন্না হকচাংদা মেনগনিজমগী চাং ৱাৎলবদি ইনফর্টিলিটি অমসুং ইরেক্টাইল দিসওর্দরগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি হায়রি।

অমরোমদা, সী দি সীগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী কম্মন ওইবদি কোলোরেক্টেল নৎত্রগা কোলোন কেন্সরনি। নুপীদগী নুপাদনা চাং ৱাংনা নাবা থেংনরিবা কোলোন কেন্সর ঙাকথোক্লবগীদমক চাং নাইনা শিং চাবা মথৌ তাই। 'কেন্সর রিছার্চ' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ মিনসোটাগী রিছার্চর চুল-হো জিওংনা হায়খি, শিংদা য়াওবা জিঞ্জরোল কৌবা মচল অমনা কেন্সর ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। রিপোর্ট অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্‌ঠনা শিং শীজিন্নরগা কোলোন কেন্সর ঙাকথোক্লবা ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, শিংদা য়াওবা মেনগনিজ অমসুং মেগনেসিয়মনা ব্লদ সুগরগী খল কায়হন্দনা থম্বদা মতেং পাংই। মরম অদুনা দাইবেটিস নারবা মীওইশিংনা শিং চাবদা কান্নবা ফংগনি।

প্রোষ্টেগ্লেন্দিন কৌবা হোর্মোনগুম্বা কেমিকেল মখল অমনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চীকপা-নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। শিং চাবনা হায়রিবা কেমিকেল অসি থিংজিন্দুনাা থম্বা মরম্না চৈনাখোল হন্থহল্লি।

অমেরিকান কেমিকেল সোসাইটিগী রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনদি নুমীৎ খুদিংগী চারিবা চীঞ্জাক্তা শিং অমসুং মোরোক য়াওহনবা মতমদা হকচাংনা কান্নবা কয়ামরুম ফংই। মরুওইনা ইম্যুনিটি কনখৎহল্লি অমসুং ব্লদ সুগর রেগ্যুলেট তৌই।

জিয়াহুৱান লি, গেংজুন দু অমসুং মখোয়গা লোয়নবা রিছার্চরশিংনা উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা শিংদা য়াওবা জিঞ্জরোলালোন অমসুং মোরোক্তা য়াওবা কেপসাইসিননা কেন্সর ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অদু জর্নেল ওফ এগ্রিকলচরেল এন্দ ফুদ কেমিষ্ট্রিদা হন্দক্তা ফোঙলকখি।

Solanaceae ফেমিলিগী মনুং চনবা অমসুং সাইন্টিফিক ওইবা মমিংনা Capsicum Annum কৌবা মোরোক্তা কান্নরবা মচল কয়ামরুম য়াওই। খামেন অশিনবা অমদি আলুসু Solanaceae ফেমিলিগী মনুং চল্লি।

লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা এন্টি-বেক্টেরিয়ল, এন্টি-কার্সিনোজেনিক, এনালজেসিক অমদি এন্টি-দাইবেটিসকী মগুন চেনবা কেপসাইসিসনা অনোয়বা মীওইশিংদা এল দি এল কোলেষ্টরোল হন্থহনবা ঙম্মী। মোরোক্তা কেপসাইসিন মরাং কায়না য়াওই। মদুগীসু মথক্তা ভিটামিন সী য়াওই। তগৎ-তগৎ তেকপা মোরোক গ্রাম ১০০ দা ভিটামিন সী মাইক্রোগ্রাম ১৪৩.৭ য়াওই হায়রি। মসি নোংমদা মীওইবনা মথৌ তাবা চাংগী চাদা ২৪০ নি। ভিটামিন সীনা শরূ, উনসা অমদি অতৈ হকচাংগী কয়াৎশিং মপোপ কায়হন্দনা থম্বদা মতেং পাংই।

মোরোক্তা য়াওরিবা পোটাসিয়ম, মেনগনিজ, আইরন অমদি মেগনেসিয়মনা সেল অমসুং হার্টকী ফীভম ফনা থম্বদা মতেং পাংই। নিয়াসিন, পাইরিদোক্সিন, রাইবোফ্লেবিন অমদি থিয়ামিননচিংবা বি-কমপ্লেক্স গ্রুপকী ভিটামিন মরাং কায়বা য়াওবা মোরোকগ্রাম ১০০ দা নোংমগী হকচাংনা মথৌ তাবা (রেক্কমেন্দেদ দেলি অলাৱেন্স) ভিটামিন সী (এস্কোর্বিন এসিদ) চাদা ২৪০, ভিটামিন বি-৬ (পাইরিদোক্সিন) চাদা ৩৯, ভিটামিন এ চাদা ৩২, আইরন চাদা ১৩, কোপ্পর চাদা ১৪ অমসুং পোটাসিয়ম চাদা ৭ য়াওই।

মোরোক চাবদা শাবা ফাওরিবসি কেপসাইসিনোইদ কৌবা মচল অমা য়াওবননি। মসিনা নাতোন ফুনবা ফহনবগা লোয়ননা ষ্ট্রোক তৌরক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হেন্না কান্নবা ফংনবগীদমক শিং অমসুং মোরোক পুন্না চামিন্নগ-দবনি হায়রি।

ঈচাওনা অৱাবা তারবশিং লৈনবা আই আর সী এসনা টেন্ট খনখ্রে

Home Delivery

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
লিলোং খুন মনুং ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অহনবীগী মথক্তা শাবা নিংথিখোঙ কায়বদগী ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা ৱাইথৌ লাইমাং কোঞ্জিনগী ইমুং য়ুমথোং ২০ দা মতেঙ পাঙবা ওইনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী থৌমীশিংনা ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংনা লৈনবা টেন্ট মঙা খনখ্রে।

আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি কেঐচ সদানন্দনা ফোঙদোরকপদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না উচিৱা অমদি লিলোংগী মফম খরদসু চৎতুনা য়েংলুরে। অদুবু টেন্ট খনফম লৈতবনা মতেঙ পাঙবা ঙমখিদ্রে। ৱাইথৌগী মফম অসিদদি টেন্ট খনবা য়াগদবা ওইবনা হেদ ক্বার্টরগী মীওইশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থৌমীশিং খুৎশম্নদুনা তেঙবাং অসি চথখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি তাওবুংখোক্লা টেঙ্কিশিং শেংগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
তাওবুংখোক ৱাটর সপ্লাই স্কীম অসিদা কেমিকেল নীংথিনা হাপ্তুনা শেংদোক্লবা ঈশিং মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমদবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ৮ দগী টেঙ্কিশিং শেংবা হৌরগনি হায়না ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি তাওবুংখোক্কী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুমিৎ নীনি হুমনিদি ঈশিং থারোই। মসিগীদমক লৈকাই অসোমদা লৈরিবা মীয়াম্না ৱারৌবীগনু। নুমিৎ অসিদা লৈকাই অসিগী ক্লব অহুমগী মেম্বরশিং অমদি নহাশিংনা ইশা ইশাগী থক্লবা ঈশিংনি খন্দুনা শরুক য়াবীয়ু। স্কীম অসি কুমজা ২০১৫ দগী কম্মিটি অসিনা য়েংশিল্লক্লি। এম এল এ মিরাবাই অমদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী৮০/৫০/৩২ এম এমগী পাইপ ৩৮৫ পীরক্তুনা কম্মিটিনা লেবর পুথোক্তুনা লৈরক মনুং পাইপ য়ৌরমদবশিং পাইপ য়ৌহল্লে। মসিনা মরম ওইরগা য়ুম ৫০০ গী মথক্তা লৈবা য়ুমশিং অসিদা য়ুম য়ৌনা ঈশিং পুশিনবা য়ুমথোং ৯৫ য়ৌরে। য়ুমশিং অসিদগী শমদোক্তুনা পুশিনবা ৫৫ য়াওরগা পুন্না কন্নেক্সন ১৫০ য়ৌরে হায়রি।

পব্লিক হায়দেন অয়াম্বা মুখৎতুনা ইমা ইবেলশিংনা লম্বীগী মতায়দা ঈশিং য়াবগী মহুত্তা য়ুমথোং খুদিংদা ঈশিং য়ৌহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। দিপার্টমেন্টনা স্কীম অসিগীদমক কুমজা ২০১৩ দা চঙাঙ্গৈ/তাওবুংখোক ৱার্ক ওর্দরগী এমাউন্ত লুপা ১২,৩৫,৩৬৩ হায়না থোক্লম্বা দিপার্টমেন্ট অসিদগী ফঙখি। মসিগী মনুংদা টেঙ্কি শেমজিনবা, ঈশিং চুন্নবা লৈঙোৎ হাপ্পা অমদি অতৈ অতৈ কয়া য়াওরি।

তাওবুংখোক্কী লৈঙোৎ খক্কী ওইনা লুপা ১,৫৩,৭৫৮ থেংনরে। কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঈশিং চুন্নবা লৈঙোৎ য়াওদ্রে হায়রক্লিবা অসি কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদগী মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লকখিবনি। টেঙ্কিশিংসু অহোবা য়াওবগা লোয়ননা ঈশিং চুন্নবা লৈঙোৎ য়াওদবনা ফিজিগ্রী মপং ঈশিং থাবদা য়াওরক্তুনা নুমিৎ অমনিগী মতুংদা য়ুম য়ুমদা ঈশিং মনিংদা ফমথরি। লৈঙাক অমদি দিপার্টমেন্টনা স্কীম অসিগীদমক খুদোংচাবা ময়াম অমা পীরবসু স্কীম অসিদা থবক ওইনা ওন্থোকপা করিগী ঙমদ্রিবনো হায়রি। দিপার্টমেন্ট অমদি কন্ত্রেক্তরনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংবীয়ু।

থা অসিগী ৮ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদগী টেঙ্কিশিং শেংবগী থবক হৌগনি। নুমিৎ নীনি হুমনিরোমদি ঈশিং থাবা ঙমখিরোই। টেঙ্কিশিং শেংবগী থবক অসিদা ক্লব অমদি লৈকাইগী মীওইশিংনা ইশা ইশাগী থবকনি খন্দুনা শরুক য়াবীয়ু। ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি (ৱাটর সপ্লাই) গী মায়কৈদগী স্কীম অসিগী মতাংদা ৱাফমশিং অসি খঙহল্লি।

টেঙ্কিশিং নীংথিনা শেংদোক্তুনা ঈশিং মীয়ামদা নীংথিনা ফঙহন্নবা মীৎয়েং চঙলিবনি। মসিদা লৈকাই অসিগী ক্লবশিংগী মেম্বরশিংনসু শরুক য়াবীয়ু। পাইপনচিংবা লৈরকশিংদা পুবগী থবকসু চথদুনা লাক্লিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

আর্মি কেম্প হোংদোকহন্নবগী মতাংদা আর্মি ওফিসলশিং উনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনেল সোলিদরিটি (নেফিস) না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী মীহুৎশিংগা লোয়নন্না ইন্দিয়ন আর্মি ওফিসলশিং উনদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতগী আর্মি কেম্প হোংদোকহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

নেফিসকী কনভিনর চিংলেন খুমুকচমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেফিস অমদি মুসুগী দেলিগেসন টিম অমনা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ব্রিগেদিয়র জে এস বেন্সলা অমদি ৬ শুবা বট্টালিয়নগী মেজর ইন্দ্রজিৎ সিংহগা ইস্যু অসিগী মতাংদা উনদুনা ৱারী শাখি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মফম অমদা লম পীরগদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতগী আর্মি কেম্প হোংদোকপা য়াবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি। ওফিসলশিং অদুনা নেফিস অমদি মুসুগী মীহুৎশিং অদুগা উনবা অদুদা আর্মিনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিনগী হীরমশিংদা খুৎ থিংজিনবা লৈখিদে। তুংদসু তৌরোই হায়বা ৱাফম আর্মি ওফিসলশিংনা থল্লকখি। নেফিসনা কুমজা ২০১৫ দগী হৌনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী আর্মিগী কেম্প লৌথোকখিনবগী মতাংদা চঙশিন্দুনা লাক্লি। সিগ্নেচর কেম্প্যেন্নচিংবসু চথবা লৈখ্রে। এম য়ু কেম্পসতা আর্মি কেম্প লৈশিনবগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওল ইন্দিয়া প্রোটেষ্ট কোল অমসু পাঙথোকখিবা লৈখ্রে।

য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস হায়বসি মহৈ-মশিন তম্নবা মরী লৈনবা হীরমশিংগীদমক লৈগদবনি। আর্মি কেম্পনচিংবা লৈবগী মফম পীফম থোক্তে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা মিলিটরি লৈশিনবা অসি য়ানিংদে হায়নসু চেরোল অদুনামখা তারি।

তুরেল খোঙনুংদা শাজিল্লিবশিং লৌথোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা চেল্লিবা ইম্ফাল তুরেল অমদি থৌবাল তুরেলগী খোঙনুংদা শাজিল্লিবশিং থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবালনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

দি সী থৌবালনা থোকপা চেরোল অদুনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা তুরেল খোঙনুংশিং খুজিল্লকপদগী ইতৎ তত্তনা ফ্লাস ফ্লদ থোকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি য়েংলগা তুরেল খোঙনুংদা লম খোপচিল্লিবশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা তুরেল খোঙনুংদা শাজিল্লিবশিং অদু লৌথোক্কদবনি। এস দি ও থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট (থৌবাল/লিলোং) নসু থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ইনক্রোচরশিংগী অকুপ্পা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্কদবনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা চেল্লিবা থৌবাল অমদি ইম্ফাল তুরেলগী তোবর্বান অমদি খোঙনুংশিংগী ওইবা ইনক্রোচরগী রিপোর্ট পীরক্কদবনি হায়রি।

দি টি ও চান্দেল খনবীয়ু: য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসর হাপ্পীয়ু হায়না নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ট্রান্সপোর্ট ওফিস শেমগৎপীনবা অমদি দি টি ও হাপ্পীনবা মমাংদগী হায়জদুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোজিটিব ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রি। চান্দেলদা লৈরিবা মীয়াম্না দ্রাইভিং লাইসেন্সনচিংবা লৌথোক্লবা হোৎনবদা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা চৎপা মথৌ তারি। গাড়ীগা মরী লৈনবা চে-চাংশিং তান্থোক্লবা হোৎনবদসু অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা চৎপগী ফিভমদা লৈরি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবগীদমক দি টি ও অমা হাপ্পীয়ু। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা দি টি ওশিং লৈনখ্রে অদুবু চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকীদি লৈত্রি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা চীংগীদমক মীৎয়েং চঙগনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎনবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা দি টি ও হাপ্পীয়ু হায়রি।

সমা প্রসাদকী কুমওন পাঙথোকখ্রে

DR. SY... PRASAD MUKHERJEE"

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা ঙসি ডা. সমা প্রসাদ মুখর্জিগী ১১৭ লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হৌরকপদা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাজ্য সভাগী এম পি কেএসঐচ ভবানন্দনা লুচিংদুনা ডা. সমা প্রসাদ মুখর্জিগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি। বি জে পিগী থৌমীশিংনা ডা. সমা প্রসাদ মুখর্জিগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎনখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ ভবানন্দ, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি সত্যবর্ত্তা অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা এক্স এম এল এ, এস জয়সু শরুক য়াখি।

মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) :
দিফেরেন্টলি এবল্ডশিংগীদমক লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফেয়রগী চঙফম অসি ফিভম শোক্লে। মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা লম্বী অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফেরেন্টলি এবল্ড পর্সন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মিনিষ্টরশিং, ওফিসরশিংনা চিন্দনা বেরিয়র ফ্রী এসেস ওইহনগনি হায়না লাউরবসু দিপার্টমেন্ট অসিগী লম্বী ফাওবা চঙফম নীংথিনা শেম্বীদ্রি। দিপার্টমেন্ট অসিদা ফাওবা বেরিয়রফ্রী এসেস ওইহনবা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি। সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী চঙফম অসি অসুক্কী মতিক ফিভম শোক্লে। মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা লম্বী অসিগী ফিভম য়েংশিনবীয়ু। মিনিষ্টর অমদি ওফিসরশিংনা চিন্দনা বেরিয়র ফ্রী এসেস হায়না লাউরগা অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈবসি লাইবক থিবনি। মসিনা তাকপদি দিপার্টমেন্ট অসিদা দিফেরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিং লাকহন্নিংদনবা অমদি চঙহন্নিংদনবা শীল্লব্রা হায়না চিংনবা লৈরে। অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফেরেন্টলি এবল্ড পর্সন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরক্পা চেরোল অদুনা মখা তারি।

এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) : এন ঐচ পি সীনা শীন্দুনা পন্দিট দিন দয়াল উপাধায়গা বার্থ সেন্টিনরিগী মরী লৈননা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা এগজিবিসন অমা পাঙথোকখ্রে। এন ঐচ পি সীগী চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্তর কে এম সিংহনা ফারিদবাদতা লৈবা এন ঐচ পি সীগী কোর্পোরেট ওফিসতা এগজিবিসন অসি হৌদোকখিবনি। থা অসিগী ৫ দগী হৌদোকখিবা এগজিবিসন অসিদা পন্দিট দিন দয়াল উপাধায়গী পুন্সিগা মরী লৈনবা হীরম কয়া উৎলি। থৌরম অদুদা দিরেক্তর (পর্সনেল) এন কে জেন, এম কে মিট্টাল দিরেক্তর ফাইনান্সনচিংবা শরুক য়াখি।

NEWLY [illegible] OPENED
SCHOLAR HOME GIRL'S HOSTEL
KEISHAMPAT LAISOM LEIRAK MACHIN
T.G. HIGHER SEC. SCHOOL -গী ছাত্রীশিংগীদমক অখন্নবা HOSTEL অমা হাংজরে। HOSTEL অসিনা FEE তানা লৌবা অমদি মমিং লৈরবা ওজাশিংনা SUBJECT শুনা COACHING পীবা য়াওনা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীজরি।

FACILITIES :
- Under CC TV Surveilance
- Homely Care Food
- Sound Academic Atmosphere
- 24x7 Electricity & Water
- Lady Warden & Security Guard
- Separate Reading & Bed Room
- All Subject Experience Teacher

FEE ₹ 3,300/- per month

No Deposit & Admission Fee

LIMITED SEAT

FULL A.C. READING ROOM

Contact No. ☎ 7085798348

HL-P/1974/2to14 Jul.